# ইন্টর্নেসনল লেভেলদা পাঙথোকপা জুদো চেম্পিয়নশিপ্তুগী ঐহাক সনাগী মেদল অনী, লুপাগী মরি, সেঞ্চেংগী অমা লৌবা ঙমজখ্রে

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**জুদোদা মীৎয়েং অমা**



**হুইদ্রোম সুনিবালা**
*ইন্টর্নেসনল জুদো প্লেয়র*

*(ঙরাংগী মখা)*

জুদো শান্নরোয় অমা ওইনা, ঐহাক্না ষ্টেট লেভেলগী চেম্পিয়নশিপ্তা ইহান হান্না শরুক য়াজরকখিবসিদি ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদমিগী মখাদগীনি। একাদমি অসিদা লৈবা কোচ ময়াম্মা ঐবু হেক শান্নবা হৌরকপদগী নীংথিনা তাকপী তন্বীরকখি। ঐহাক্না ষ্টেট লেভেলগী অহানবা শরুক য়াদুনা শান্নজরকখিবসিনা ওল মণিপুর জুদো এসোসিএসনন ওর্গনাইজ তৌদুনা কুমজা ২০০৩গী ওগষ্ট ৮দগী ১০ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ অদুদনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী ৱিমেন অন্দর ৱেথ ওপন কেটেগোরিদা ঐহাক ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদমিগী মমিংদা থোক্তুনা শান্নজখি। মদুদা ঐহাক গোল্ড ফংবা ঙমজখি। মসিনা ঐগীদি পুন্সিগী অহানবা জুদোদা ফংবা মেদলনি। অদুগা ঐহাক অতোপ্পা ক্লব অমত্তদগী ট্রেনিংসু ফঙজরকখিদে। ঐনা শান্নবদা হেক খোঙদাজরকপদগী ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদমিগী ওজাশিং, অহল-লমনশিং ময়ামসিনা নীংথিনা লমজিং-লমতাক তৌবিরক্তুনা শেন্বীরকপনি। ঙসি ঐনা ইন্টর্নেসনল থাক য়ৌনা শান্নজবা ঙমজরিবসি ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদমিনা মায়কৈ চুম্না চৎহনবীরকপদগীনি হায়বা ৱাফমসিমসু হায়জনিংই। অদুগা, ঐখোয়গী মমাংদা শান্নবীখিবা লৈবাক্না মশক খঙবীখ্রবা ইচেশিংদুনা শান্নরিবা থাক অদু য়ৌননবা ঐখোয়সু শান্নজনিংই। ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদমিনা পুথোরকপা নুপী জুদোকা অসিসু ফনা য়াম্লে। ইন্টর্নেসনল থাক য়ৌনা শান্নবা ঙম্বদা নত্তনা মেদল পুরকখ্রবা শান্নরোয় অয়াম্বা নুপীসু নুপাসু হৌজিক মণিপুরগী মপান্দা অয়াম্বা থবক তৌদুনা লৈবসু য়াওনরি। মণিপুর ষ্টেটগী মপান্দা লৈরগা থবক-ইনখাং তৌনখিবশিংদি অতোপ্পা ষ্টেটকী মমিংদা শান্নরকপসু য়াওরক্লে। হৌজিক মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা শান্নবীগদবা প্লেয়রশিংসিসু মশিং য়াম্লক্লে। ঐখোয় খরখক নত্তনা থবক ইনখাং তৌদুনা মপান্দা লৈখিবনা অয়াম্বা ওইরক্লে। ঐ ইশাগী ওইনদি ইশাগী ষ্টেটতা সর্ভিস তৌদুনা লৈজনিংবদগী ঝরখন্দ নেসনল গেমস ২০১১ অমসুং কেরলা নেসনল গেমস ২০১৫ অসিদা গোল্ড মেদল লৌজরকপনিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা থবক চঙননবা এপ্লাই তৌজরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৭তা মণিপুর পুলিসতা জেইন্ট তৌজরকখি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা জুদোগী ইচে অনী অমসু হান্নবা লৈবীরম্মী। হৌজিক মণিপুর পুলিস্তা লৈরিবসি গঙ্গারানী, সন্ধ্যারানী, হৈঙাংদগী সুশিলাগা ঐহাক্না ঐখোয় মরিনি। পুলিস দিপার্টমেন্টতা চঙজরকখিবদগী গোল্ড মেদল অনী অমসু মণিপুর পুলিসকী ওইনা পুজরকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল থাদা তৌখিবা সেকেন্দ ওল ইন্দিয়া পুলিস জুদো চেম্পিয়নশিপ্তুসু ঐহাক গোল্ড লৌজরকখি। অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা ওদিষাদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিস চেম্পিয়নশিপ অদুদসু ঐহাক সনাগী মেদল ফঙজরকখি। থবকসিসু ঐখোয়দি কনষ্টেবল ওইনা চঙজরকখিবনি। পুলিসতা লৈজবা শান্নরোয় অমা ওইনা গোল্ড অনীসু খুদোল তমজখ্রে। অদুবু প্রমোসন্নচিংবগী ৱাফমদি থোইনা লৈত্রি। মপানগী ষ্টেটশিংদা শান্নরোয় ওইনা লৈনরিবশিংগা ঐখোয় মণিপুরদা লৈরগা শান্নজরিবা ঐখোয়গদি খরসু খেন্নবা লৈবগুম তৌই। ঐখোয়গীদি অচিভমেন্ট ফনা লৈরবসু প্রমোসনগা পীবগী ৱাফমসি হৌজিকসু খন্নদ্রিবা মাল্লি। মসিমসু শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়দদি নিংহন্নবা ৱাখল পোকহল্লি। ঐখোয়গী এচিভমেন্টশিং মুন্না য়েংবীরগা প্রমোসনগী লাইননচিংবসিদি শেমহননিংই। সনাগী মেদল হঞ্জিন হঞ্জিন পুদুনা লাক্লবদি করি করি পীবিবা য়াবগে হায়বসিসু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা খন্নহনজনিংই।

অদুগা ঐহাক্না ইন্টর্নেসনলদা শান্নজরকখিবা অসিসু কুমজা ২০০৭ সিদগীনি। হায়রিবা চহীদুদগী লেপ্তুনা শরুক য়াজরকপনা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ পুন্না ২৩নি। ইন্টর্নেসনল থাক্তা ঐহাক্না ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল লৌজরকখিবসি ফস্ত এসিয়ন য়ুথ জুদো চেম্পিয়নশিপ (সিলভর), নাইন এসিয়ন জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ (সিলভর), কাথমন্দুদা কুমজা ২০০৮দা তৌখিবা সাউথ এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপ্তুসু সিলভর পুজরকখি। কুমজা ২০১৩দা উর্বেকিস্তানদা তৌখিবা জুদো গ্রান্দ প্রিক্সতসু ঐহাক ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি। কুমজা ২০১৪দা নেপালদা পাঙথোকখিবা 'তরেৎশুবা সাউথ এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপ'তসু গোল্ড লৌবা ঙমজরকখি। কুমজা ২০১৪সিদা তৌখিবা '২০শুবা গ্লাসকো কমনৱেলথ গেমসতদি ঐহাক মঙাশুবা পোজিসন তারগা হল্লকখি। ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ, কমনৱেলথ গেসনচিংবদা শরুক য়াদুনা শান্নজবদি ঙমজখ্রে। অদুম ওইনমক মেদল পুরকপদি ঙমজদ্রি। এসিয়ন কন্ত্রিগী টাইফৈ, চাইনা, জপান, হোংকোংনচিংবা লৈবাক্কী অরিংবা জুদোকা কয়াগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং খরদি ৱাৎতক লৈবগুম তৌরি। ইন্দিয়াগী ওইনদি মণিপুরী নুপী জুদোকাশিং অরিংবা জুদোকাশিং ওইরি।

*... লোইরবা ...*



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০০

১) লুপ অসি মণিপুর সরকারদা কুমজা ১৯৫৫-৫৬তা রেজিষ্টর তৌখি। লুপ অসিনা ষ্টেট অসিদা শান্নবগী অশিল অরাংশিং তৌই। লুপ অসিনা মশা-মউ ফবা তান্নবগী থৌরমশিংদসু থৱাই য়াওনা অথোয় অহেন তান্নহল্লি। লুপ অসিগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৬২দা কংলাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গেমসতা মহাক্না মরাথন্দা মকোক ওইখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ইন্দিয়াগী টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজদা টেষ্ট মেচ শান্নবা চৎখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা মহাক্কী তিমদা লমহেনবা ফর্স্ত বোলর অমা য়াওই, মহাক্না বোল হুনবদা চহী ১৮ শুরবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোয় অমদা মকোক্তা থাখি। মদুদা মহাক্না 'শোইখ্রে' ফাওবা হায়খিদে। অদুগা ইন্দিয়াগী টিমদা খরা চেকশিন্নবা হায়খি। অদুম থোকখি, ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অদু মহাক্কী বোলনা মকোক্তা থোম্বদা মনাতোন্দা অমসুং মনাকোংদা ঈ তারকখি। মহাক ওপরেসন তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্তেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) করম্বা Poloগী শগোলবু সনাবী কৌবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ২০২২ কমনৱেল্থ গেমসতা নুপীগী ক্রিকেট য়াওরগনি



লন্দন, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘমদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেলথ গেমসতা অহানবা ওইনা নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট য়াওরগনি।

হায়রিবা গেমস অসিদা মেদল দিসিপ্লিন ওইনা নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট মশান্না অসি য়াওখিবগা লোয়ননা বিচ বোল্লিবোল অমসুং পেরা টেবল টেসনসু য়াওগদৌরি। নুপী ক্রিকেট ইভেন্ট অদু এগবাষ্টন ষ্টেদিয়মদা লৈবাক ৮গী টিম অসিদা গোল্ড মেদল ফংননবা হোৎনগদৌরি।

কুমজা ২০২২গী কমনৱেলথ গেমস অসিনা শান্নবগী পুৱারিদা মল্টি স্পোর্ট ইভেন্টশিংদা নুপাগী মেদল মশিংদগী নুপীগী মেদল মশিংনা হেনগদৌরি। কুমজা ২০১৮ গোল কোষ্ট কমনৱেলথ গেমসতগী ২০২২ বিরমিংঘম গেমস অসিনা নুপাগী অপুনবা মেদলদগী বিস বোল্লিবোল অমসুং নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট য়াওরকপনা মেদল অনী হেনগদৌরিবনি।

ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী চীফ এক্সজিক্যুটিব মনু সোরিনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা পুৱারি ওইরবা নুপীগী ক্রিকেটনা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা মালেমগী ক্রিকেট কম্যুনিতিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইরগনি। ক্রিকেট মশান্না অসি ১৯৯৮ কমনৱেলথ গেমসতা অমুকখক য়াওখি। মদুগী মতুং লৌথোকখি।

# ইন্দিয়ান বোক্সরশিংগী ট্রেনিং মফম পাটিয়ালাদগী বেঙ্গালুরুদা হোংলগনি






ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী বোক্সরশিংনা মপান লমদা টুর্নামেন্ট শরুক য়াদবা মতমদা পঞ্জাবকী পটিলায়ালা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ট্রেনিং চত্থদুনা লাকপনি। অদুবু চহী অসিগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগা কর্নাটকাগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা ইন্সপয়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা হোংলগনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী নুপা অমসুং নুপী বোক্সরশিং অদুবু মপান লমদা ট্রেনিং কম কম্পিটিসন কয়া শরুক য়াহন্দুনা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা মরু ওইনা ওলিম্পিক্স অমদি ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকীদমক শেম শারিবনি। কুমজা ২০১৯দা পুন্না ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অসিনা ইন্টর্নেসনল টুর ১২ চৎখি।

অহানবা টুর অদু বলগেরিয়াদা ষ্ট্রানদিয়া মেমোরিএল বোক্সিং টুর্নামেন্টনা ওইখি। মদুগী মতুং ইরান, ফিনলেন্দ, পোলেন্দ, থাইলেন্দ, কজাকস্তান অমসুং ইন্দোনেসিয়া য়াওনা লৈবাক কয়াদা চৎখি। মদুগী মনুংদা জর্মনি, আইয়রলেন্দ, ইটালি অমসুং কোরিয়াদা ট্রেনিং টুরসু শরুক য়াখি।

টোকিয়ো ওলিম্পিক্স গেমস ২০২০ চহী ফাজিল্লক্ত্রবা অসিদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অতোপ্পা মপানগী লমদা চৎতুনা ট্রেনিং কম এক্সপোজর টুর অদু তোকথোক্লগা ইন্দিয়াদা কনসেন্ট্রেট তৌননবা থবক শীল্লকপনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ওইরিবা সন্তিয়াগো নিয়েভানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, নিয়েভানা হায় পর্ফোমেন্সকী থৌদাং অদু কুমজা ২০১৭কী সপ্টেম্বর থাদগী লৌবা হৌখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা বেঙ্গালুরুগী আই আই এসতা মপান লমগী বোক্সরশিং ইনভাট তৌদুনা ট্রেনিং তৌগদৌরি।

# নোবাক জোকোবিস অমসুং রোজর ফেদরর ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউর্থন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে








চিনচিনাতি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী ওহিয়োদা লৈবা চিনচিনাতি সিটিদা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউথর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোবাক জোকোবিস অমসুং স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা ঙরাং শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দ মেচতা য়ু এস এগী শান্নরোয় সাম ক্বেরিবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৭-৫, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ুএসকী জোন ইসনরবু ৬-৪, ৬-৭ (১-৭), ৭-৬ (৮-৬) থোইরম্বা স্পেনগী পি কারেনো বুস্তাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী অনীশুবা রাউন্দ মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা অর্জেন্টিনাগী জে আই লোন্দেরোবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ফেদররনা অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী এ রুব্লেব অমদি স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কাগী অথোইবগা শান্নরগনি।

য়ু এসকী আর ওকেলকাবু অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোনা ৭-৬ (৭-৩), ৬-৪দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ৭-৬ (৭-২), ৬-৪দা থোইরম্বা অতোপ্পা জপানগী ৱাই নিসিওকাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা য়ু এসগী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা নেদর্লেন্দসগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ কিকি বর্টেন্সপু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৬ (৭-৪)দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রাকিটোভা অনীশুবা রাউন্দদা গ্রিসকী এম সকারিনানা ৬-৪, ২-৬, ৬-৩দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। সিদিং শান্নরোয় অনী মায়থীবা নংখ্রবসু ৭শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা বেলজিয়মগী ই মর্টেন্সপু ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ১ পেয়র ওইরিবা কলম্বিয়াগী জে এস কবাল অমসুং আর ফরানা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস অমসুং গ্রিসকী এস সিসিপাসপু অহানবা রাউন্দদা ৬-১, ৭-৬ (১০-৮)তা মায়থীবা পীরমদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

৩শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন অমসুং ন্যু জিলেন্দগী এম ভেনসনা সর্ভিয়াগী এল দেরে অমসুং দি লাজোবিসপু ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মখোয়না অনীশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী জি পেলা অমসুং ব্রাজলগী জে সোসাবু ৬-০, ৬-৭ (৪-৭), ১১-৯দা থোইরম্বা য়ু এস কী এ ক্রাইজেক অমসুং নেদর্লেন্দসকী ই রোজর বেসিলিনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ পেয়র ক্রোসিয়াগী এম পাবিস অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেসনা জর্মনিগী পেয়র কে ক্রোৱেটস অমসুং এ মাইলসপু ৭-৬ (৭-২), ৪-৬, ১০-৭দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

২শুবা সিদেদ পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা অহানবা রাউন্দদা সর্বিয়াগী পেয়র এন জোকোবিস অমসুং জে টিপসারেবিসপু ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মোলদোভাগী আর অলবোট অমসুং রসিয়াগী কে খচানোবপু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বা চিলিগী সি গারিন অমদি ফ্রান্সকী বি পাইরেগা লম্বা তৌনরগনি।

মতম শাংনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবা য়ু এসকী বোব ব্রাইয়ন অমসুং মাইক ব্রাইয়ননা ফ্রান্সকী পেয়র জেরিমি চার্দি অমসুং এফ মার্টিনবু ৭-৬ (৭-৪), ৩-৬, ১০-৭দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অমসুং পোলেন্দগী ঐচ হুরকাসপু থোইরম্বা ক্রোসিএগী ইবান দোগিগ অমসুং স্লোভাকিয়াগী এফ পোলাসেককা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়ানা সি দব্লিউ জি ২০২২ বোইকোট তৌবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা শৌগৎনবা গন ইন্দষ্ট্রি য়ুনিয়ন্না তকশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪(এজেন্সী)ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী গন ইন্দষ্ট্রি গ্রুপ অমনা ইংলেন্দগী বিরমিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২২ কমনৱেল্থ গেমসতা শুটিং দিসিপ্লিন য়াওখি লৌথোকখিবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা গেমস অদু বোইকোট তৌগনি হায়না তৌরিবা অদু ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্না শৌগৎনবা তকশিনখ্রে।

শুটিং দিসিপ্লিন অসি কমনৱেল্থ গেমসতা ওপস্নেল দিসিপ্লিন অমা ওইনা কুমজা ১৯৬৬তগী য়াওরকপা অদুনা ১৯৭০দা ইদিনবর্গতা য়াওখিদবা অদু থারগা ২০১৮ ফাওবা মেদল দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওদুনা লাকখি। অদুগা কুমজা ২০২২গী বিরমিংঘমনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অদুদা শুটিং দিসিপ্লিন অসি লৌথোকখিবনি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না কমনৱেল্থ গেমস ২০২২দা শুটিং লৌথোকখিবগী মায়োক্তা বোইকোট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। শুটর্স য়ুনিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া হায়না খঙনবা লুপ অমনা ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্তা ইন্দিয়ানা চঙশিল্লিবা বোইকোট তৌবগী খোংথাং অদুবু সপোর্ট তৌনবা হায়রকখিবনি। লুপ অসিনা ওষ্ট্রেলিয়া লৈবাক্তা লৈবা নোংমৈ পায়বা অমসুং শুটিং মশান্না অসিবু পামজবী মীওই লিশিং কয়াগী মীহুৎ শিল্লিবনি।

হায়রিবা লুপ অসি য়ু এস এগী নেসনল রাইফল এসোসিএসনগী মখাদা এফিলিএট তৌবনি। শুটর্স য়ুনিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্রাহম পার্কনা ফোঙদোকখিবদা বিরমিংঘমদা শুটিং ইভেন্ট পাঙথোকফম মতিকচানা লৈতে হায়বা ৱফম অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা স্বিমিং পাঙথোকফম লৈতে হায়বগা চপ মান্নে হায়খি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা কুমজা ২০১৮দা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসকী শুটিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অহুম য়াওনা পুন্না মেদল ৯ ফংখি। অদুগা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ৭ য়াওনা পুন্না মেদল ১৬ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

মরক অসিদা বৃটিশ স্পোর্টস মিনিষ্টর নিগেল অদামসনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা বিরমিংঘম কমনৱেল্থ গেমসতা শুটিং দিসিপ্লিন অমুক য়াওহনবা য়ানা লৈরি। নাকল অমরোমদা কমনৱেল্থ গেমস ফেদরেসনগী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার দেবিদ গ্রিভেমবর্গনা ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন অমা লাক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

# ইন্দো-পাক দেবিস কপ টাই য়ৈথোকউ নত্রগা মফম হোংদোকউ হায়না এ আই টি এনা আই টি এফতা হায়খ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪(এজেন্সী)ঃ

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস ফেদরেসন (এ আই টি এ)না ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা দেবিস কপ টাই অদু মতম য়ৈথোকউ নত্রগা মফম হোংদোকউ হায়না ইন্টর্নেসনল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ)দা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা নুপাগী টিম টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দেবিস কপকী এসিয়া-ওসিনিয়া জোন ৱানগী টাই অদু সেপ্তেম্বর ১৪ অমসুং ১৫দা পাকিষ্টানগী কোনুং ইস্লামাবাদতা পাঙথোকপগী মতম মাংজৌননা লেপখিবনি। অদুবু ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান লৈবাক অনীনা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ঈরাং অসিনা ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিং অদু পাকিষ্টানদা চৎলগা শান্নবদা সেক্যুরিটিগী চিংনবা লৈবনা শান্নবা ঙমলোই হায়খিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগা লোন্নবা ষ্টেট অমা ওইরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওন্থোকখিবদগী পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগা হান্না লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক রিলেসনশিং অদু থাক হন্থহনখি। লৈবাক অদুদগী ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর হলহনখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা চেল্লবা ট্রেন অমসুং বসকী সার্ভিস পুম্নমক লেপ্লে। লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্লেন অমত্তা পাকিষ্টানগী এয়রস্পেসতা চঙবা য়াহনখিদ্রে।

পাকিষ্টানদা লৈরক্লিবা টেন্সন ময়াম অসিগী মরক্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পাকিষ্টানদা চত্তুনা শান্নবা হায়বসি অরানবা খোফম অমা ওইগনি হায়না ওল ইন্দিয়া টেন্নিস ফেদরেসনগী জেনরেল হিরোনমোই চেটরজিনা ফোঙদোরকখি।

এ আই টি এনা আই টি এফতা পীরিবা ওপসন অনীদা দেবিস কপ টাই অদু নবেম্বর/দিসেম্বরদা ওইনা শান্নবা (করিগুম্বা ঈরাং নেমথরবনি) নত্রগা আই টি এফকী মায়কৈদগী অচংবা শেল পুথোক্তুনা টাই অদু ন্যুত্রেল ওইবা শান্নফম অমদা শান্নহনবনি।

দেবিস কপ টাই য়ৈথোকপা য়াদে হায়বা চৎনবি লৈতে। কুমজা ২০০১দা ইন্দিয়না য়ু এস এগা শান্নখিবা টাই অদু মতম য়ৈথোকখিবা অদু চেটরজিনা আই টি এফকী এগজিক্যুটিপ দিরেক্টর জষ্টিন অলবর্টতা নৌহৌননা নীংশিংখি।